# মেদিকেল কোলেজশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না থম্নবা য়ু পি গভর্ণমেন্টনা খঙহনখ্রে

লখনৌ, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সী): গোরখপুরদা অঙাং কয়ামরুম শিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা য়ু পি গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী মেদিকেল কোলেজ পূম্নমক্তা হীদাক-লাংথক অমসুং ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা খঙহনখ্রে।

মেদিকেল কোলেজশিংদা থাখিবা চেরোল অমদা য়ু পি গভর্ণমেন্টকী মেদিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হায়খি মদুদি, ওক্সিজেন সপ্লায়রশিংগী অতোনবা শেনফম পূম্নমক খুদক্তা পীথোকখিগদবনি।

গোরখপুরদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা গভর্ণমেন্টকী মেদিকেল কোলেজ মাপন অমদি অতোপ্পা মমিং লৈরবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট ১২দা হীদাক-লাংথক নৎত্রগা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে হায়না মেদিকেল এদ্যুকেসনগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি অনিতা ভত্নগর জেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, সপ্লায়রশিংগী অতোনবা শেনফম খুদক্তা শিংদোকখিনবগী মতাংদসু মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিংগী প্রিন্সিপালনা চপ চাবা থৌদাং লৌগদবনি।

অমরোমদা, মফম লৌথোকখ্রবা বাবা রাঘব দাস (বি আর দি) মেদিকেল কোলেজগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. কাফিল খানবু ঙসি মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখ্রে।



খাননা লন্নাই ওইনা ওক্সিজেন সিলিন্দর পুরক্লগা পীক্লিবা অঙাং কয়াগী পূন্সি কন্নবা হোৎনখিবগীদমক মহাকপু মায়কৈ কয়াদগী থাগৎনরকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা ঙরাং ডা. খান মফম লৌথোক্লগা ডা. ভুপেন্দ্র শর্ম্মাদা বাবা রাঘব দাস মেদিকেল কোলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ পেদিয়াট্রিক্সকী নোদেল ওফিসার হাপখ্রবনি।

রাজকিয়া মেদিকেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. পি কে সিংহবুসু বি আর দি মেদিকেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওইনা মতম খরা থৌ পুনবা খঙহনখি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা বি জে পি লৈঙাকপু মরাল শীরদুনা হায়খ্রে মদুদি, চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা মশামক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সীদা থোকপা লাইবক থীবা থৌদোক অমা মতম চানা ঙাকথোকহৌবা ঙমদবনা খুদক্তা ফম থাদোকপা মথৌ তারে।

য়ু পি কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাজ বাবরনা হায়খি, মরাইবক থীরবা অঙাংশিং অদু বি জে পি গভর্ণমেন্টনা হাৎপনি হায়না লৌফম থোকই। অমুক্তা হেন্না ঈকায়নিংঙাই ওইরিবা ৱাফম্না চীফ মিনিষ্টর মশামক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সীদা থৌদোক অদু থোকখিবগী মতাংদনি।

পনবা য়াবদি, চহী ১১ শুবদা ঙাইরিবা অঙাং অমা লৈখিদবগা লোয়ননা এন্সেফলাইটিসনা মরম ওইরগা শিখিবা মীওই পুন্না ৬৩ শুখ্রবনিখ্রে। বি আর দি মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌবা লেপখিবদগী অনাবা মীওইশিংগী পূন্সি কনবা ঙমখিদবনি হায়রি।

# পান ক্রোর ৯.৩ হেন্না আধারগা লিঙ্ক তৌবা ঙমখ্রে : আই টি দিপার্টমেন্ট

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :

হৌজিক ফাওবদা পার্মিনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পান) ক্রোর ৯.৩ হেন্না আধারগা লিঙ্ক তৌরে হায়না ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।



পান হোল্ডর ক্রোর ৩০গী মনুংদা চাদা ৩০না হৌখিবা জুন অমসুং জুলাই থাদা আধারগা লিঙ্ক তৌখি হায়রি।

ইনকম টেক্স রিটর্নস (আই টি আর) ফাইল তৌবগী অরোইবা নুমিৎ ওইখিবা ওগষ্ট ৫ ফাওবদা পান ক্রোর ৯.৩ হেন্না আধারগা লিঙ্ক তৌরবা মতুংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা রেজিষ্টর তৌরকখি।

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস (সী বি দি টি)না ওগষ্ট ৩১ ফাওবা মতম শাংদোকহনখিবা মরম্না আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌবগী মশীং হেনগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টনা আধার অমসুং পান লিঙ্ক তৌনবগী মতাংদা অরোইবা মতম থাখিবা লৈতে হায়না লোক সভাদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

দিজিট ১২গী বাইওমেট্রিক আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌনবগী মতাংদা গভর্ণ-মেন্টনা অকক্নবা মতম থাখিবা লৈব্রা হায়না হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা জেটলিনা মীপুম খূদিংমক আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌহনগদবনি হায়খিব তারবসু অকক্নবা থাখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

জুন ২৮ ফাওবদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পান কার্দ পায়বা মীওই ক্রোর ২৫ অমসুং আধার কার্দ পায়বা মীওই ক্রোর ১১১ লৈরে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ওগষ্ট ৮দা আধারগা লিঙ্ক তৌদবা পান লাখ ১১ হেন্না দিএক্টিভেট তৌবা লৈখ্রবনি। মী শিবগী রেজিষ্টর তৌবদা আধার নম্বর য়াওবগী মথৌ তারোই হায়না গভর্ণমেন্টনা শেংদোরকপসু লৈখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা গভর্ণমেন্টনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমা শিরবা মতুংদা দেথ রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা আধার নম্বর য়াওদবা য়ারোই হায়বা ৱাফম অদু অরানবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা লৈখিদ্রবা মরী-মতা অমগী দেথ সার্টিফিকেট লৌবদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী আধার নম্বর পীগদবনি হায়বা ৱাফমদি লৈ।

রেজিষ্টর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা রেজিষ্ট্রেসন ওফ বর্থ এন্দ দেথ এক্ট, ১৯৬৯গী সেক্সন ৩ (৩)গী মখাদা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী দেথ সার্টিফিকেট লৌগে হায়রবদি লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী আধার নম্বর পীগদবনি হায়রি।

মীগী মশক মমিং লোৎশিনবা য়াহন্দ-নবগীদমক ওক্টোবর ১দগী কনাগুম্বা মীওই অমা শিবগী দেথ রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা আধার নম্বর য়াওদবা য়াররোই হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, অসাম অমসুং মেঘলয়া য়াওদনা অতৈ ষ্টেটশিংগী ওইনদি ওক্টোবর ১দগী হৌনা মী শিবগী দেথ রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা আধার য়াওদবা য়াররোই।

হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা রেজিষ্ট্রার জেনরেলগী ওফিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অমগী চপ চাবা মমিং মথানচিংবা অকুপ্পা মরোল পূম্নমক খঙবা ঙম্নবা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

# হিমাচল প্রদেশতা লেন্দস্লাইদ থোকপদা মীওই ৪৬ শিখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারগা ঈচাউগী মতাংদা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা অহেনবা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী টিম অমসুং তেংবাঙগী পোৎলমশিং থারক্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, বিহারগী চীফ মিনিষ্টরগা ৱারী শানরবা মতুংদা অহেনবা এন দি আর এফকী টিম কয়ামরুম তেংবাঙগী পোৎলমশিংগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা থাজিনখ্রে।

নেপালদা নোং কন্না চুবা মরম্না থংনরিবা বিহারদা ঈচাউগী ফীভম অমুক্কা হেন্না লূশিল্লকপা য়াই হায়না মিপাইবা পোক্লরি। তুরেল অয়াম্বা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্তা চেল্লিবা মরম্না মীপুম খূদিংমক মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চেকশিন ৱা পীখি।

নেপালদগী ইন্দিয়ারোমদা চেল্লকপা তুরেল কয়া ঈমায় পাথোরকপা মরম্না উত্তর প্রদেশ, উত্তরখন্দ অমসুং বিহারদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি।

অৱাংথংবা ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা নোং কন্না চুবগা লোয়ননা ঈচাউ অমসুং লেন্দস্লাইদ থোকপদগী মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ঈচাউগী ফীভম খরা ফগৎলক্লবসু নোং কন্না চুবা অমসুং ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মীওই মরি শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা পুন্না মীওই ৫০ শিখিবা লৈখ্রে।

হিমাচল প্রদেশতসু নোং কন্না চুবদগী মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ থোকপদা মীওই ৪৬ শিখ্রে। কিলোমিটর ১৫০ শাংবা লম্বী মশাং অমদা লৈখোম-লৈনাং চেন্থরকপগা লোয়ননা য়ুম অমসুং গাড়ী কয়ামরুম ফুমজিনখ্রে হায়রি। লাহোল অমদি স্পিতি দিষ্ট্রিক্টতা থোং তেক্লকপদগী মীওই অমা চেন্থখিদুনা হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি।

ওগষ্ট ০৭তসু হিমাচল প্রদেশতা নোং কন্না চুবদগী মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ থোকপগা লোয়ননা য়ুম কয়াময়ুম অমাঙ-অতা থোকপদগী অঙাং মরি শিখিবা লৈখ্রে। পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হিমাচল প্রদেশকী কুলু দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা পন্দ্রাবিস এরিয়াদা লেন্দস্লাইদ তৌবদগী য়ুম অমা নিংখায়খি। থৌদোক অদুদা চহী নৌরিবা অঙাং অনী হিংনা হিংনা ফুমজিনখি। গাগ্রেট টেহশিলগী ভদ্রকালি খুঙ্গংদনা ব্রজা তারকপদা চহী ১১ শুবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা শিখি। চহী ৯ শুরবা নুপামচা অমনা জলগ্রান খুঙ্গংদা ইরাক্লবদগী শিখি।

# সোপিয়ানদা খুৎ থোক্লবদা টেররিষ্ট ৩, জৱান ২ শিখ্রে

শ্রীনগর, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা টেররিষ্ট অহুম শিখ্রে।

এ এন আইগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মফম অদুদা চথরিবা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সী ওপরেসন লোইশিনখিবগা লোয়ননা টেররিষ্ট অহুমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ফংবা ঙম্লে। অদুম ওইনমক মনাক নকপা মফম কয়াদা মখা তানা থিবা হুন্বগী থবক চথরি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, নাকল অনী খুৎ থোক্লবদা ইন্দিয়ন আর্মিগী জৱান অহুম অশোক-অপন নংখি। শোক্লবা মীওইশিং অদু শ্রীনগরগী বাঘ এরিয়াদা লৈবা আর্মিগী হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। ঙসি অয়ুক মফম অদুদা খুৎ থোক্লবদা আর্মি জৱান অনী লৈখিদ্রবনি।

ঙরাংসু সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টকী অৱানিরা খুঙ্গংদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা আর্মি জৱান অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মরি অশোক-অপন নংখি।

অৱানিরা খুঙ্গংদা খুৎলাই পায়বা মিলিটেন্টখরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী রাষ্ট্রিয়া রাইফলস, ষ্টেট পুলিস অমসুং সী আর পি এফ য়াওবা অপুনবা টিম অমনা খুঙ্গং অদুদা চঙশিন্দুনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা নাকল অনী খুৎ থোক্লরকখিবনি।



অমরোমদা, পাকিস্তান্না ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মেন্ধার সেক্টরদা মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবী নুপী অমা শিবা লৈখ্রে।

মেন্ধারগী সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসার রিয়াস তান্ত্রেনা অপ্পর গোলাটতা লৈবী রাকিয়া বেগম কৌবী নুপী অমা পাকিস্তানি আর্মিনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা নোর্থ কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা কলারুজগিগী মফম অমদা টেররিষ্টশিংনা ৪২শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী হেদক্বার্টরদা এটেক চথরকখি। কিরন সেক্টরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তনা লেন্দমাইন পোকখায়বগী থৌদোক অমদা আর্মি জৱান অমা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ওগষ্ট ০৯দা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট অহুম শিখিবা লৈখ্রে। থৌদোক থোকফমদগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অহুম ফংলে। থৌদোক থোকফমগী অকোয়বদা থিবা হুন্বগী থবক চথদুনা অতৈ অতোপ্পা মিলিটেন্টশিংগী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনরি।

পুলৱামাগী ট্রাল এরিয়া মনুং চন্না লৈবা গুলাপ বাগতা মিলিটেন্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থিবা হুন্বগী থবক চথখিবনি। সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা মফম অদুদা চঙশিল্লুবদা হান্না লোৎতুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, মসিল সেক্টরদা হন্দক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মখুত্তা লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিংদগী পাকিস্তান অমসুং চাইনানা শাবা হীদাক-লাংথক অমদি খুৎলাই কয়ামরুম ফংবা ঙমখ্রে।

# অরুনাচলদা এন এস সী এন (আর) অনী ফারে

ইটানগর, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :

অরুনাচল প্রদেশকী চংলাং দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ইন্দিপেন্দেন্স দে মাঙওইননা চেকশিং থৌরাং লৌখৎপা ওইনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা এন এস সী এন (আর)গী মীওই অনী ফারে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। ফারবা মীওইশিং অদু লূপ অসিগী সেল্ফ ষ্টাইল সর্জন মেজর বোকাম ৱাংরে অমসুং রাজু কুমার চৌধুরিনি হায়রি।

দিফেন্সকী স্পোক্সমেন কর্নেল চিরঞ্জিৎ নোৱরনা হায়খি, ফারবা মীওই অনীদগী এ কে-৪৭ এসোল্ট রাইফল অমা, নোংমৈ মরু কয়ামরুম, সিম কার্দ খরা অমসুং মরুওইবা চে-চাং কয়ামরুম ফংখি। থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসকী চাংলাং বট্টালিয়ননা য়োংচিক খুঙ্গংদা ঙরাং নুমিদাং থিবা হুন্বগী থবক চথবদা এন এস সী এন (আর)গী মীওই অনী ফাবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, গভর্ণমেন্ট রেলৱে পুলিস (জি আর টি)না ত্রিপুরাদগী মীওই অমা য়াম্লবা খুৎলাই কয়ামরুমগা লোয়ননা অসামদগী ফারে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ত্রিপুরা পুলিসকী ওফিসল অমনা হায়খি, নরেশ চকমা (৩৪) কৌবা মীওই অদু বদরপুর রেলৱে জঙ্কসন্দা ঙরাং নোংমৈ মরু কয়ামরুমগা লোয়ননা ফাখিবনি। মহাক্কা লোয়ননা লাকখিবা বিশ্বজয় চাকমা কৌবা মীওই অমদি নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি।

# লোর্দ রাম হিন্দু নত্তে, মুস্লিমসু নত্তে : ডা. হর্স বর্ধন

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ডা. হর্স বর্ধননা হায়খ্রে মদুদি, লোর্দ রামবু হিন্দু নৎত্রগা মুস্লিম ওইনা লৌবা য়াদে। ইন্দিয়াগী অশেংবা থৱায়নি হায়না লৌগদবনি। মরম অদুনা লোর্দ রামবু হিন্দু নৎত্রগা মুস্লিমশিংনা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌফম থোক্তে।

অহিমশা বিস্বা ভারতিনা শীন্দুনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী মতাংদা শীনখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা মিনিষ্টরনা হায়খি, কোর্টনা য়েৎনরিবা অযোধ্যগী লম মুস্লিমগীনি হায়না ৱায়েল পীরকপা তারবদি খুদক্তা মুস্লিমশিংনা হিন্দুদা পীথোকখিগদবনি হায়না সিয়া ক্লেরিক কালবে সাদিকনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু থাগৎনিংঙাইনি।

মৌলানা কালবে সাদিকনা হায়খিবনি মদুদি, করিগুম্বা অযোধ্যগী য়েৎনরিবা লম্বু হিন্দুশিংগীনি হায়না ৱায়েল পীরকপা থোক্লবদি মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা অয়েৎপা পীরোইদবনি।

মুস্লিমগী মায়োক্তা ৱায়েল পীরকপা থোক্লগনা মুস্লিম ফুরুপকী মীওই খূদিংমক্না কোর্টকী ৱায়েল তারম্না ওক্কদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।



সিয়া সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমদা উত্তর প্রদেশকী অযোধ্য দিষ্ট্রিক্টতা রামগী টেম্পল মনাক্তা মোস্ক অমা শাবদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

বোর্দনা হায়খি, রামগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা অযোধ্যদা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা নম্না খুন্দাবা মফম অমদা মোস্ক শাবদা অকায়বা লৈতে। বাব্রি মসজিদকী অশেংবা মপু সিয়া ৱাকফ বোর্দনা ওইবা মরম্না মসজিদ শাবগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌবসু বোর্দনা লৌগদবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা ওগষ্ট ১১দা হীরম অসিগা মরী লৈননা হিয়ারিং চত্থনবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা বোর্দকী এফিদেবিট অসি ফাইল তৌরকখিবনি।

# ছটিসগরগী সুকমাদা নোংমৈ কাপ্নবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নক্সলাইট অনী হাৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :

লালহৌবগী অকনবা মফম ওইরিবা ছটিসগরগী সুকমা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা নক্সলাইট অনী লৈখিদ্রে।

স্পেসল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এন্তিমাওইষ্ট ওপরেসন) দি এম অৱস্থিনা হায়খি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কিস্তারাম পুলিস ষ্টেসন মনুং চন্না লৈবা উমং অমদা থিবা হুন্বগী থবক চথরুবদা নাকল অনী খুৎ থোক্লরকখিবনি।

থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী স্পেসল টাস্ক ফোর্স অমসুং দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দকী অপুনবা টিম অমনা রাইপুরদগী কিলোমিটর ৫০০ লাপ্পা লৈবা কিস্তারামদা থিবা হুন্বগী থবক চথখি। ঙসি অয়ুক মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা অসুকপা উমং অমদগী নোংমৈ কাপথোরকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি।



ঙাইহাক খুৎ থোক্লরবা মতুংদা নক্সলাইটশিং মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখিরমই। সিক্যুরিটিনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা অশিবা হকচাং অনীগা লোয়ননা মজল লোদিং গন অমা অমসুং কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অমা ফংখি।

মমাঙদসু ছতিসগরগী বিজাপুর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা উমং অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা মাওইষ্ট লালহৌবা অমা শিখিবনি।

বিজাপুরগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কে এল ধ্রুবনা এজেন্সীদা হায়খিবনি মদুদি, সুরখেদা খুঙ্গং মনাক্তা লৈবা অশুকপা উমং অমদা ঙসি অয়ুক নাকল অনী খুৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকখিবনি। থাজবা য়াবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অখন্নবা টিম অমনা ষ্টেট কেপিটেল রাইপুরদগী কিলোমিটর ৪৫০ লাপ্পা লৈবা ভাইরামগর উমংদা থিবা হুন্বগী থবক চথখি।

# শরদ যাদবনা জে দি (য়ু)গী অশেংবা লূচিংবনি হায়না ক্লেম তৌগদৌরি

পত্না, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :

জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)গী সিনিয়র লীদর শরদ যাদবনা হায়খ্রে মদুদি, ষ্টেট য়ুনিট অয়াম্বনা মহাকপু শৌগৎলিবা মরম্না অথুবা মতমদা পার্টিগী অশেংবা লূচিংবনি হায়না ক্লেম তৌরগনি।

রাজ্য সভাগী এম পি অনী অমসুং নেসনল ওফিস বিয়ারর খরা য়াওনা যাদবপু শৌগৎলিবা কাঙবুনা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ১৪না মখোয়বু সপ্পোর্ট তৌরি হায়না পীরকপা চেরোল পায়রগা নিতিশ কুমারগী মথক্তা অনৌনা লাল্লোং অমা চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরি। নিতিশ কুমারনা হন্দক্তা শরদ যাদবপু পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী ফমদগী লৌথোকপা লৈখ্রবনি।



অমরোমদা, শরদ যাদবনা অথুবা মতমদা রাজ্য সভাদগী রিজাইন তৌগদবনি হায়না পার্টি অসিগী সিনিয়র লীদর অজয় অলোকনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা অলোকনা হায়খি, করিগুম্বা যাদবনা ঈকায়বা মশক খঙলবদি খুদক্তা রাজ্য সভাদগী রিজাইন তৌফম থোকই। বিহারগী মীয়াম্না গ্রান্দ এলাইয়েন্সতা থাজবা থম্বদগী ভোট পীরকখিবনি। মতৌ অসুম্না নাকপাক তান্নবগী ফীভম লৈরম্বা তারবদি কনামত্তনা ভোট পীরমদবা য়াই।

নিতিশ কুমারনা লূচিংবা জে দি (য়ু)না শরদ যাদবপু রাজ্য সভাদা পার্টিগী লূচিংবা ওইহনখিদ্রবনি। মহাক্কী মহুত্তা রাম চন্দ্র প্রসাদ সিংহবু ফম অসি পায়হনখি।

ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা জে দি (য়ু) বিহার য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট বসিস্ত নরায়ননা হায়খি মদুদি, জে দি (য়ু)গী লূচিংবশিংনা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদু উনদুনা রাজ্য সভাদা পার্টিগী লূচিংবা শিন্দোকপগী ৱাফম খঙহনবা লৈখ্রে। পার্টিগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপগীদমক শরদ যাদবপু মফম লৌথোকখিবনি। ইরাই নুমিত্তা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা কৌখিবা মীফম অমদা শরুক য়াখি হায়বগীদমক জে দি (য়ু)গী এম পি অলি অনৱর অন্সারিসু পার্টিদগী তাম্থোকপা লৈখ্রবনি।

জুলাই ২৬তা জে দি (য়ু)গী প্রসিদেন্ট নিতিশ কুমারনা গ্রান্দ এলাইয়েন্সতগী তোকখিবগা লোয়ননা বি জে পিগা খুৎশম্নবা হৌখি। মতাং অদুদা জে দি (য়ু)গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা শরদ যাদবনা নিতিশ কুমারগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা জুলাই ২৮দা বিহার লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পাঙথোকখিবা থাজবগী ভোট লৌনবদা এম এল এ ১৩১ না শৌগৎলকপদগী চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমার মায় পাকখ্রবনি।

নিতিশনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক মেজোরিটি ওইরি হায়বা উৎনবগীদমক কনফিদেন্স মোসন পুখৎখি। অপূনবা মেম্বর ২৪৩ লৈবা বিহার এসেমব্লিদা লেজিসলেটর ১৩১ না অনৌবা লৈঙাক শৌগৎতুনা ভোট পীখি। অতোপ্পা এম এল এ ১০৮ না লৈঙাক্কী মায়োক্তা ভোট পীখি।

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH

DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI

(**)1st PAYMENT 5 LAKH [TOTAL PACKAGE 20L]
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES

We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY and BENGALI (Language) by our RENOWNED PROFESSORS with audio and Visual Class Beforehand

B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI

TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI

BAMS Ayurvedic Few SEATS

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
9856167106 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com

HL-B/4054/4to3 Sept.